# বোম, তোপ্পা মীয়ামগী থম্মোয় জয় তৌবা ঙপ্লোই ইলেক্সনগী ফলনা মসিগী খুদম ওইগনি

-ইবোবী

*থৌদাং পাউমদগী*

*ইম্ফাল, জানুৱারী ৮ঃ* বোম, তোপ্পা ফিজিকেল্লি মীয়ামদা মপাহ্নোংদা অকি-তুজুং ফাওহল্লবসু মীয়ামগী থম্মোয় কৈদৌঙৈনুংদসু জয় তৌবা ঙপ্লোই। মদুগী চপ চাবা খুদম হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল ফল অসিনা খঙহল্লগনি হায়না ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী অথোকপমদা পাঙথোকখিবা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিদি মীয়াম্না শান্তি অমসুং চাওখৎপা পাম্লে। মীহাৎ মীপুন পামদ্রে হায়বসি লুপশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংনা খঙজিনবা ফগনি। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা চহি ৫ / ৫ খুদিংগী প্রজানা মশাগী মীহুৎ খন্দুনা লৈঙাকচবসি মীয়ামগী হকনি। অসিগুম্বা মীয়াম্না মনিং তম্না মখোয়গী মীহুৎশিং খনবগী হক অসি কনাগুম্বা লুপ অমসুং ওর্গনাইজেসন খরনা মখোয়গী ইন্টরেষ্টতা থিংজিনবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। মসি লমদম অসিদা য়াম্না তোয়বা থবক অমা ওইনা চখরক্লিবসি লাইবক থিবনি। মসি লৈবাকসিগী মফম অতে অমত্তদা তৌদে।

কংগ্রেস নত্রগা অতোপ্পা পার্টিদবু ওইরবসু কনাগুম্বা লুপ অমনা অয়েৎপা অপনবা নত্রগা অথিংবা অমত্তা পীবীগনু। মীয়ামগী হক নিয়ম চুম্না শিজিন্নহনসি। অথিংবা অপনবা অসিনা মরম ওইরগা মীশি মীনা থোক্লককপা তারবসু মদুদা খুদোংথিবা নংগদৌরিবশিং অদু লৈবাক অসিগী মরাল লৈজদবা মীচম প্রজা ঙাক্তনি। মীখল লম্বা তৌরিবশিংনা মরম ওইরগা মীচম মীয়াম অশি অনা য়াওহন্নিংদে। ঐ ইশাগী ওইনদি শিবা কিদে। মীয়ামগীদমক্তা সেবা তৌগে হায়না চোংথোরক্লবনি। অদুবু নিয়ম চুম্না, মরম চানা শিগদবনি হায়খি।